

*“ঐগী অপাম্বসি য়াম্মন্দনা ঐঙোন্দা খরদুম ৱায়। ঐ য়াম্না পাম্মী। সাহিত্য হায়বা, কলা হায়বা আর্টিষ্ট হায়বসিদি অদুম মরী খরা খরা শৈনবা ঙাক্লি।” - এম কে বিনোদিনী*

## কনাদা ভোট পীসিগে

—বি মঙাং

য়াওশঙ কুম্মে লোইখিবদা ঙাইহরি
থাবলদি চোঙলি চৈরাওবসু লোইখ্রে
মীখল অমুক লাক্লে, ঈরাং লাংই।
কনাদা ভোট পীসিগে?
লৈরক্তা খুল্লক্তা, লম্বীদা সরক্তা
দুকান্দা, কৈথেলদা ভোটকী ৱারী
করি ফগাৎলে ইরমদমসিগী লৈঙাকলোল
পুন্সিরোল, শেন্মীৎলোন, খুন্নাইলোন
অনৌবা করিবু পুরক্তোয়নো
হান্না হান্নগী অমহানি।
ঙাইহাক লৈরগা কোৎ লিৎলি
অঙাঙবা, হিগোক অমসুং অমুবা
মীদি হান্নগী মীদুনি
ফিজোল হোংবৈ ৱাদনি
লৈত-লায়রশিংগীদি কদায়
রেদিওদা টেলিভিজন্দা লাউরি
তেংবাঙ ময়াম অমা!
লৌমী-শিন্মীশিংগীদমক্তা
কান্নবশিং ফংই হায়বৈ
পাউদি ইতা তাদে
পূন্নমক্না খঙনা উনরি
শেল য়েনবা পীজ-পীথক ফবা
মীরেপ অদুদা য়োম্মী তিল্লি মীয়াম।
মীয়ামগী থবক তৌগদবা
মীখল মমাঙদা করি তৌখি
মীয়ামগী য়াইফনবা করি তৌখ্রে?
পার্লিয়ামেন্টতা থেঙ্গাইবা ঙমগদবা
শোত্থরবা খুন্নাইগী খনবা
মতিং লৈবা মীওই
পার্লিয়ামেন্টরি দিবেটিং ঙম্বা
গুন লৈবা মীশক মীওই
লৈবাক অসিগী ওইনা খল্লসি
হান্নগী হৈনবী চৎনবী
পূন্নমক থাদোক্লগা নাথৈরগা
অনৌবা মণিপুর শেল্লসি
অমোৎপা লৈঙাক মুখৎলসি
অফবা লৈঙাক পুরকসি
চাওখৎপা খুন্নাই ওইহনসি
মতিং লৈবা লৈবাক্কী
ইজাতিবু নুংশিবা, মুন্না খঙবা
মীশক অদুদা ভোট থাদসি।

## ভোটকী জজনি মীয়াম্না

—অথোকপম তোম্বা

পুরক্লি মতমগী খোংলৈনা
হৌখ্রেদো চহী মঙা
মফম-মরাং খঙদা
থবক্তি পাংহৌদে-তৌহৌদে
মতমদি লেপ্তুনা চৎখি।
লাক্লে অমুক মীখলগী
লাউনরি মথৌ পাংগদবা
ফংখ্রগা করিসু তৌখিদবা
শকখিবা শোনখিবা ৱাশক্তি
উতোং অহোবদা শোকপা ঈশিং।
চাথরনি লুপা খাওজাউ
য়েন্থরনি মীপূম থুংনা
চানীংবা থক্লিংবা নীংতম্না
হরাউ মথোই কারনি
কনানসু থিংঙল্লোই।
ফোঙদোক্লুরি ৱাহৈগী খোন্থাং
তৌখিবা থবক খরদো
কনানা চুমলিবা খঙদা
অঙাঙ-অঙাঙবনা মচুম্বা
পল্লেপফম লৈতবা ওইরেদো।
নাকেন্থাগী শেলনা চৎকদ্রা
হাইজিনবী ৱাহৈনা ঙমগদ্রা
পার্টিনবু ঙমগদ্রা হেরোনবু ঙমগদ্রা
মীয়াম্না পাম্বনা মঙাগী নিংথৌনি
ভোটকী জজনি মীয়াম্না।

## কনাবুনো ঙাইহিরবা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

পুক্কে লনগৈ চোন্না
ইপা ইপুশিংনা থম্বীরল্লবা
মহৈ মরোং চুম্না পাল্লবা
লৌবুক-লমহাংশিং
কনানা ঙাকপী শেনবীগনি
তুংগী মীরোলগীদমক।
হৈরাং লৈরাংনা
নীংথিজনা শাৎলিবা
হৈকোল, লৈকোলসে
কনানসু য়েংশিনবগী মমি তাদ্রে।
কনাবুনো ঙাইহিরবা
কনাবুনো থিরিবা
থোরক্লো, লাক্লো
পলেম ইমাগী ফীভম শোক্ত্রিঙৈ
অমুক্তদি কলহৌসি।
শন্দ্রেম্বী ইমাদি ঙকশম য়ৌরে
নীংশিং নীংশিংদুনা
মতমনা হৌখিবা
কনাদসু তাক্লমলোই।

## তাখ্রবরা নঙবু খোঞ্জেলদো

—বিসান লুৱাং

য়েংলি নঙগী খোঙথাংতবু
চোকথবা নাইদনা ইমিৎসিনা
হুল্লিবা মিহুলসিসু নঙ খক্কীনি।
তঙাংননা থোৎলবী চিনবালদগী
থোক্লকপা ৱাহৈনা পাঙ্গলনি
থানিল থাজনা কল্লকচবীনি।
অঙাওবগুম হিংলিবা পুন্সিসিনা
নঙগী য়াইফনবতা খল্লিবনি।
ঙাইহিরবনি নঙগী নপাওতবু
ঐদি নঙবু নুংশিয়ে,
নুংশিবনা ওইহল্লে ঐহাকপু
নঙগী নুংশিবগী লাম্মী।
তাখ্রবরা নঙবু খোঞ্জেলদো
খূবাক নাম্মতা খুবগী,
নুংশিবগী ইতিনফমদি পন্থুংনি,
চৎমিন্নসি পন্থুং য়ৌনা ঐখোয়নি
খূবাক নাম্মতা খুবা য়াদেনে
পুনশিল্লসে ঐখোয় অনীসু।

## য়াওশঙ থাবল

—রোসন মোইরাংথেম

মচে মচলনা থাবল চোঙই,
মবুং-মৌপ্বানা য়ু থকই।
মমা, মবোক্না থাবল ঙাকই,
মপা-মপুনা য়ু থকই।
লৈকায় নহারোলনা থাবল শেন্নে,
লৈকায় মচানা য়ু য়োল্লি।
মৈরা পায়বীনা য়ু থিংই,
মচা মৱানা য়ু থকই।
সী এস ওশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি,
মীয়াম্না মৱা অমত্তা লৌবীদে।
সেক্যুরিটিনা কন্না ঙাক শেল্লি,
পাখং মচাশিংনা পংখৎতা খৎনৈ।
লৈশাবীশিংনা থাবলগী ৱানা শেনখাই চৎলি,
পাখংশিংনা ইরায় লায়না য়ুথকফম ওন্থোকই।
মমাঙঙৈদা লৈরম্বা ফজরবা থাবলগী ৱাহন্থোক,
ঙসিদি নিশা শান্নফম ওন্থোকখ্রে।
নীংথিজরবা থাবলগী ৱাহন্থোক
খাঙুথক্তা মাঙহল্লোইসি।

## লাক্লো চৎলুসি মরুপশা

—অর্জ্জুন নিংথৌজম

নুংশিরবা ঐগী মরুপসা
লাক্লো চৎলুসি ঐখোয়
থৱায়না পামজবা মফমদুদা
পূক্লিংনা খোইদাবা লৈকোলদুদা,
নিংথিবা মহৌশা লৈকোলদুগী
ফজবা লৈরাং য়েংলুসি
নুংশিবা লৈনমসু নম্লুসি,
শান্তিগুম চিক্লবা মফমদুদসু,
শান্নরুসি ঐখোয় পূন্না,
উৎলমসি মরুপশিংগী লিপূন্না
থম্মোয়গী তাইশিন্নরিবা লংলাশিং
অশেংবা মরুপনি তাক্লমসি
চান্নরবা মরুপনি খঙহল্লম
মালেমসিদা ঐখোয়না
লাক্লো চৎলুরসি মরুপশা।

## খন্থরসি হয়েংগী মীরোলগী

—বেঞ্জামিন এম শাহ

সারং মনুংদা কূল্লিবা নোংশাবা
কদাই চৎখ্রে থৌরবা বুধি লৌশিং,
মাঙখ্রবরা তৌঙম্বা মতিক ময়াই
থম্মাইখ্রবরা মতমসিগী চৎনবী লাইৱানা।
অদুঙৈ মতমদুগী জন-নেতা
কাউঙমদরি ঙসিসু ঐখোয়গী থম্মোয়সিনা
নীংশিংবনা শকঙমগদরা লৈবাক্কী থৌগল
ঙাইখিসিরা অমুক মীরোল কয়া।
মৈ পায়দুনা শান্নরি পৱর করাম্বশিংনা
মৈনুংদা চোঙশিলহল্লি মরৈবাক নুংশিবশিং
পাম্বৈ লৈত্রবা মমা-মপা ওইবশিংসু
লম্মুক্লহল্লে ফম্নাইবশিংগী চাংয়েংপুংদা।
পোরম পোমিৎ য়াৎঙম্বা মপারিবুদি
অকাউ পরৈ চলহনবীরে খঙনা-উনা
মিৎ তাংদবা না তাথিদবা ইরৈচাশিং
শীজিন্নরসি চুম্না ইন্দ্রি মঙা।

## অমুক্তংদি লাল্লে হায়রম্মুদনা

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

অমুক্তংদি লাল্লে হায়রম্মুদনা
মীনম্বতা ঙাঙলিবা চিনবালদুনা
পেঞ্জগে ৱারৌরিবা থম্মোয়সিনা
অমুক্তংদি মোমোন নোক্লম্মুদনা
মীনুংশি খঙদ্রবা চিনবালদুনা।
কাউথোক্লগে অৱাবা পূম্বা
নীংশিংলরোই নীংঙমদ্রবা থৌদোকশিং
নীংশিংলরোই তূম্বা য়াখিদবা অহিংশিং
নীংশিংলরোই পিরাং শিন্থখিবা মীৎকুপশিং।
অমুক্তংদি লাল্লে হায়রম্মুদনা
মীনম্বতা ঙাঙলিবা চিনবান্দুনা।

## পূন্সি লম্বী

—সনবম বিকেন্দ্রা

পোক্লুবনা মীওইপোক্তা চৎলি লম্বী কয়াদি,
চিংলি চহীনা অসুম অসুমনা।
তারি অৱা নুংঙাইগী মপাউশিংসু
চৎলুবা লম্বীশিংদা থেংনরুরি।
পূন্সি মানা লোইদ্রিখৈ,
চৎলিবা লম্বীসু লোইখিরোই।
হায়নরম্বা অহল-লমনশিংনা
‘খুৎতূমশীংনা লাকপনি,
খুবাক তিংনা হল্লেদো’
ৱাহৈশিংসে নীংশিংনা চৎলি
খল্লি ৱাখলসু মওন পূন্সিগী লম্বীসিদা।

# মঙলাক্লবা

## (The Nightmare)

*- ৱিলিয়ম সাইদি*

হন্দক্তি মহাক ঙাওরবা, তিনবু-লাইপুবা, লাক্ল-ফান ঙমদ্রবা যাদু-মন্ত্র হৈবা তরেৎকা লম্বা পাব তারি। মানা মিত্তা উরি, মখোয়গী মচু কয়াগী মতু লীশিং পাল্লিবা মসাশিং, ফত্ত-লৌশিং কয়া, লিরি হুন্নিবা নুংশিৎতুদা ফর-ফর খপ্লি, মাগী অকোয়বদা মখোয়না কোয়না জগোয় শারি। করিগুম্বদনা, মখোয়দুনা মখোয়গী শরূদা ঙায়রবা, হুমাংনা চোৎলবা খূৎশাশিংদু মঙোন্দা থিল্লক্লি, থিন্না থিন্না মখোয়না অকিবা পোক্লবা যন্ত্র-মন্ত্র মচিন্দা থীরি, হৌবা সুম হেনগৎলক্লি, নুংশিৎ মরক্তুদা।

উরিবদু অশি লৈবাক্কী শক্তমনি, অতৈ মতম ওইরল্লবদি, তাইবঙগী লৌশিং ফজনা লৈরবা মিষ্টর বেঞ্জামিন চাডিজা ঙসি উরিবদু করিসু লৈতনা মাগী ৱাখলনা খন্দোক্লম্বা য়াবনি। অদুবু উরিবদু অশেংবমক্লি। মহাক মশামক অদুগুম্বা শরূদা ঙায়রবা জিবশিংদুগী মরক্তা লৈরে হায়বসি য়েৎননীংঙাই লৈত্রে। থাজগনখিদ্রবা মাগী মচৎনফাও উরিবা মীওইশিংদুগী হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা মওংদু লংথোকপা ঙমদ্রে, মাগী ৱাখন্দগী। মীওইশিংদুনা তশেংবা অওইবা ওইবা তারবদি মঙোন্দা মখোয় পুল্লপ্না খুদোংথীবা খরদি পীগদৌরে হায়বসি মহাক তশেংনা থাজরে।

মখোয় তরেৎতু মঙোন্দা সুম চঙশিল্লকই, অকিবা ঈশৈদুসু অসুম শক্লি, নুংশিৎ মরক্তুদা সুম হৌবা হেনগৎলকই। হন্দক্তি মখোয়গী শরূদা ঙায়রম্বা খূৎশাশিংদু শরূদা ঙায়দ্রে, নোয় নোয় লাউরে, খুজিন তেন্না ককই, হুমাংনা চোৎলে, হিংচাবা হায়দুগী মখূৎ মাল্লে, খূৎশাশিংদু যাদু মন্ত্রগী শক্তি লৈবা মাল্লে।

খুদক্তা খূৎশা ময়ামদু অমত্তা ওনখ্রে, অতৈদু উখিদ্রে। খূৎশা অমখক্তু মঙোন্দা সুম নকশিল্লকই, সুম নকশিল্লকই, মমৈদদি মাগী মায়দা থেংগদৌরে। মহাক লেঙবফাও ঙমজদ্রে। মহাক্কী থৱায়-হকচাং পুল্লপ খুদোম্বী অদুদা মুন্না য়েংদুনা লৈখ্রে। খুদোম্বীদু যাদুগী শক্তি য়াওরে মঙোন্দা।

মহাক্না খল্লি, মহাক্না তৌবা ঙল্লোইদবা করি অমতা লৈরোইদবা মাল্লি, খুদোম্বীদুনা তৌ হায়রবদি। অদুবু খুদোম্বীদুনা মাবু অসি তৌ হায়বা ৱা য়াথং তাউথরক্ত্রে। চুম্নতা খুদোম্বীদুনা মাগী মনাতোন্দা থেংলকই, হাইফেত্তা থেংলকপনি। অদুবু মদুগী ফলদি অঙকপা ওইরে।

বেঞ্জামিন চাডিজানা ফাওখি, মাগী থৱায়দু পাইথোকখ্রে, মাগী য়ারোমদা, অদুনা মাগী হকচাংদু হামচৎ হামফোইনরক্লে, ইহাঙ হাঙবা আলু বোরাগুম। শিবা হায়দু ওইরমাল্লে, মান্নি, মহাক শিরে।

মহাক্কী থৱায়দু চীংদোন য়ৌখ্রে। বেঞ্জামিন ৱাখলদি মাঙদে। অদুনা তম্পাক্তা লৈহৌবা মাগী হকচাংদু য়েংথরকই। কনাগুম্বনা শক্তি লৈবা বাইনোকুলর অমা শীজিন্নবদা পোৎ নক্না উবগুম মাগী হকচাংদু য়েংথখিবদা ইনক নক্নদি উই। অদুবু মহাক খঙলে, হকচাংদুদা মানা হনবদি মঙমদ্রে। মাগী হকচাংসু কল্লমখ্রবা হকচাংনি, তাঞ্জাসিদা মদুসু নীংশিংলক্লি, মরী লৈনদনা। অদুবু হৌজিক্তি ওইদ্রে। শক্তি পীগদবা থৱায়না ময়াওদ্রবা হকচাংদুদি করিসু ওইরমদ্রে।

অদুনা মানা মাগী হকচাংদুগীদমক কপখৎলক্লে, মাগী থৱায়দুনা মাগী হকচাংদা হঞ্জগে কপ্লি। অদুবু মদুনা ওইথোক্ত্রবদা মানা কৌদুনা অমুক কপখৎলক্লে :

- ‘‘বেন’ বেন! বেন!

মাগী হকচাংনসু তায়, অদুগুম্বা মশক খঙবা খোঞ্জেলদু লাপ্না। মহাক স্বরদি ৱানা হোল্লি, মপুন্সিদা অহানবা ওইনা অশিবা থৌদোক অমা থেংনবদা হোনবা নুপা অমগী স্বর মহোন্নি। অকিবা পাউদুদি তল্লম্নবা হিংনীংল্লি আশা উজদ্রবা অমগুম।

- ‘‘বেন’ বেন! বেন!

অমুকসু তারি লাপ্না খূৎলোয়বা খোঞ্জেলদু। কনাগীবু ওইরিগবা? কৌরক্লিবসিনা কদায়দগী? অসুম্না মাঙশিল্লক্লবা আশা অমগা লোয়ননা মাদি অদুম কপ্লি, হৌনা থৱায়দু হকচাংদা হল্লক্লবা। অঙাং অমগুম কপ্লি, পঙকপ্তা কপ্লি, অপাম্বা থোইনা লৈতনা কপ্পগুম।

কাইনথংদা মহাক কপ্পদু লেপ্লে, অদুবু ময়া অদুদি অদুম কাদুনা লৈরি, কপ্লিংবা মিৎকুপ্তা হেক্তা কপ্পা য়ানবা। মাগী অপাম্বদু শোন্থরক্লে অদুনা স্বর অমুক্তং ফূইনা হোন্দোকই। মমিৎ খংপাঙ পাঙলকই, অদুগা য়েংলকই, মাগী নুপীগী মমিৎকা মিৎচানরুই।

অদুগদি মহাক খংলাউ লাউরকই, কিবনা, ঙসাইগী মঙদা উখিবা অকিবা ফংলবা যাদু-মন্ত্র হৈবা তরেৎকী মায়থোঙশিংদু নীংশিংদুনা। হিপমিন্নরিবা মাগী নুপীনা কোনশিনবীরকই, মাবু থেম্বীরকই, মাগী থোৎ থোৎ লাউরবা থবাক্না মাগী নুপাগী থবাক্তা তকপীরদুনা, মনাকোংদা থেমজিন ৱাহৈ চিরোন তৌরদুনা।

কাইনথংদদি মহাক তুমিন্না লৈখ্রে, চনীং তানা স্বর হোনবা হৌখ্রে। অদুবু মমিৎ পাঙবদি কিরি অদুম, উইশিল্লি।

- ‘‘ঐ নঙনা অসুম্না মঙলাক্লগে তৌবা অসি অমুক্তা সুক কুইবসি থেংনরক্ত্রি। অওইবা, ঐ নঙনা অসুম্না মঙলাক্লনি হায়বসি শুকথা থাজবা ঙমদে।’’ মাগী নুপীনা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট চামিন্নবদা পল্লকই, মাগী নুপাদু তেকখৎনা উরে, অনৌবা পাঙ্গল লাক্লমাল্লে, মানা থাজরুদনা।

মাগী নুপাসি মহৌশানা মশা খীংখ্রবা মীনি। অদুনবু মাখক্কী পাঙ্গলনা স্কুল অদুমা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রিবনি, মানা লাক্ত্রিঙৈগী ফীভমদগী। ঙসি অয়ূকসিদি মানা উবদা মাগী নুপাদু শক্তি পূম্বা য়াওরবা মাল্লে।

- ‘‘অহৌবা হায়বসি মতম পূম্বদা লৈফম থোকই। ঐ খঙই, মী অমনা চহী য়াঙ্খৈ ফাওবা মঙলাক্লবা অমফাও য়াওদনা হিংবা য়াই, অদুদগী মঙলাক্লরকপা। নুমিদাংদা মহাক্তু চহী ৬০ শুরবা অমগুম স্বর হোল্লকপা য়াই। মদুদা ঐনা নঙ ওইরল্লবদি ৱারুনিংঙাই করিসু লৈতে। ঐগী ঙরাংগীদু ঐ চপ চানা নীংশিংবা ঙমদ্রে, অদুবু ঐগী ওইনদি মদু থোইনা ফত্তবা ওইনা খনদ্রে। ফত্তবা মঙ অমনি খন্দোক্লে।

ফত্তবা মঙ হায়বা? মারিয়ানদি অদুম্না খন্দোক্তে, মানা খঙলিবদুগা চানদে। মানা খল্লি, মাগী নুপানা হায়রিবদু মানা মঙদা থেংনখিবা অকিবশিংদু হন্থহন্নবা হোৎনরিবনি হায়না- মহাক্কীদমক। অদুবু মানা মসিমদি খঙফম থোকই, উখ্রিবশিংদুনা করি তাক্লি হায়বা - অসুম্না মারিয়ানা মথমোয়দা খঞ্জে।

মখোয়না লৈরিবা অপিকপা খুঙ্গংদু শুপ্নগী মাইল ২৫ রোমদা লাপ্পা মফমদনি লুসাকাদগী। মসি চপ চানা লৱায়মক্লি, চাওখৎতবমক্লি হায়বদি য়াদ্রে, য়ামদ্রবদা চয়োল অমদা বস অমুক্তি য়ৌরকই, স্কুলদুগী চিঠীনচিংবা পোষ্ট ওফিসতগী চে-চাং থিল্লকপা ওইনা। অদুবু চাওখৎপগী মমি তারক্লবা খুঙ্গং ওইদুনসু মফমদুদা যাদু-মন্ত্রবু থাজবদি মকোক্ত্রে, খোঙ্গ্রাও শেৎপা অঙৌবশিংনা লাক্ত্রিঙৈ।

বেঞ্জামিন চাডিজাসি ফোর্ট জামেসন্দা পোকপনি। মহাকসি কখোল্লবা মরমদমগীদমক খঞ্জবা মীশকনি। অদুনবু মানা হৌজিক পুরিবা স্কুল লৈফমসি মাগী পোকফম ফনা নৎত্রবসু মহাক্কী থমোয় হন্থদে। মরমদি মফমসিসু মানা ওন্থোক্না নুংশিজবা মরমদম অদুগী শরুক অমনিকো হায়না খনে দাকচৈ।

মহাক থোইদোকপা মগুন লৈবা, কখোল্লবা ওজা অমনি। লৌশিং লৈবা। অদুনা মাগী লৈবাক্কী এদ্যুকেসনগী মিনিষ্ট্রিগী মনুংদা লৈবা মাগী দিপার্টমেন্টকী মকোক অদুনা লুসাকাদা লৈদুনসু মাবু মফমসিদা থারকপদা মপূক্লিং লুমজরিবনি।

মফমসিগী মীশিংদুদি লাইরিক লাইশুগী লম্দা কয়া খোইজংদে। লৈঙাক্লদি লৈবাক পূম্বা মহৈগী মঙাল ফংহন্নবা কন্না হোৎনরি। মখোয়না মচাগী স্কুল ফী পীবদি পী, অদুবু স্কুল অমা ফহনবা হায়বসিদি মহৈরোয়গী ফীখক্না ওইবা য়াবা নত্তে। মসিদা মীয়ামগী পূক্লিং থৌগৎপীবা, শৌগৎপীবা চঙই। তল্লিবা মহৈরোয়শিংদুগী মমা-মপাগী মতেং য়াম্না চঙইবনি। অদুগুম্বা অদুদি মফমদুদা লৈত্রে। মচাশিং শেম্বীরিবা ওজাশিং অদুদা মখোয়না হন্না য়েংলক্ত্রে। হায়রিসিনি, অঙাংশিং স্কুল চৎলি, মদুনদি মখোয় মায় শোয়দনা পাক্লনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। মরমদি মখোয়দি করিসু খঙজবা নৎত্রি, মখোয়না ফংলিবা খুদোংচাবা অদুনা মখোয়দা হয়েং করি কান্নবা পীদৌরিনো হায়বা। অদুগী মথক্তা, মখোয়গী অহলশিংদুনা অমুক, য়ৈথৎপা ওইনা, লাইরিক তমদ্রসু চায়, তম্লসু চায় হায়দুনা মচাশিংদা হূ কামশিল্লিবনি। মদুনি শাথীরিবসি। অদুনা অদুম্না য়োক্লকপা অঙাংশিংদু মহৈ তম্বীবদদি করিসু কান্নফম খঙবা হৌনদ্রে।

অদুগুম্বা তাঞ্জা অদুদনি চাডিজানা স্কুলদুদা থুংলবদু। মহাক লাকপদগী অঙকপদা হোংলে, ফজনা ফগৎহল্লরে। স্কুলসু ফগৎলে, অদুগা মারিয়া মখোয় অনীগী পুন্সিসু অহোংবা লৈরে।

খুলদুদা লৈরল্লিবা যাদু-মন্ত্র শান্নবা নুপাদুদি অহোংবসিদা য়াওদ্রি। মাদি চাডিজাগা লন্নাই ওইনা নুংঙাইনদবা অমা লৈরি, হেক্তা হাৎনরগে মওংনি। চাডিজানা য়াম্না হৈ-শিংনা লোয়নরি, মাগী যাদু-মন্ত্রদু লৈবাক্কীদমক করিসু কান্নবা নত্তে হায়বদু খুঞ্জাশিংদা ফাওহন্নবা কন্না হোৎনরি।

অদুবু খুঞ্জাশিংদুদি ওজাসিগা মাইবদুগা য়েংথিনবদু থওইদে, অমদসু অমদসু মীচং চঙদে। মখোয় মাইবদুবু পাম্বা, নুংশিবদি নত্তে, অদুগা ওজা ওইররিবা চাডিজাসু নুংশি হায়বা ঙমদে। ৱা হায়বু, মখোয়না মাইবা অদুবুনা কিবনি, অদুগা চাডিজাদবুনা মীনুংশি উৎতবনি।

যাদু-মন্ত্র শান্নবা নুপাদু অহলনি, চহী ৭৫ রোমগী লেঙ্গানি। মশাদু মওল খুইরক্লবনি, অদুগী মথক্তা কোক্লরোইদবা পেং চোইরকপগী লায়না অমসু য়াওরবনি। অদু ফনা ওইদুনসু মাগী তৌবা ঙম্বা শক্তিদুদি হন্থদ্রি।

মহাক খুল থুংনা চৎকনি, মায়োক্লবা ঙম্বা মী লৈতে, অদুগা ৱারকপীনবসু লৈতে। মহাক খুনমী মরক্তা অয়ূক-নুংথিল চূপ্পা লৈরুনি, খরদনা করি করিনো ঙাঙলমগনি, অদুগা খরদনা ৱা অমত্তা ঙাঙলল্লোই। অদুগা নুমিদাংদদি লাই শাগনি, খুলদু অৱামল লৌদনা মানা ঙাক্লি হায়বা তাই। মহাক মশানা থৌদাংদু লৌজরে, খুঞ্জাশিংগী পুন্সিদা অশোয়-অঙাম য়েংশিনবা। অদুবু মাগী অদুগুম্বা মীনুংশি লৈবা শাব অহীংগী খোঙচৎ অদুদা য়ানীংদবা কয়াসু লৈরিবনি। মখোয়না খল্লি, মাগী থবক্তু অফবা নত্তে। শম্না হায়রবদা, লৈবাক অদুদা যাদু-মন্ত্র শান্নবগী মহৈদু কনানসু ইকায়খুম্ন বীদে।

চাডিজাসু খঙলক্লে, খুঙ্গংদুগী মীশিংনা যাদু-মন্ত্র শান্নবা মীদুবু য়ারিবদু কিবদগীনি, কমদৌরগা লোয়নগদগে হায়বদু খঙজদবনা তৌরিবনি। মহাক অদুদি লাইদৌনা তৌরে, মফম অমদা হেক্তা লৈরমগনি, হেক্তা য়াওরমগনি, কনানসু ৱাহং অমা হংবা ঙমজদে। পাউ সুম তাবদা মী কয়া অমা শিখ্রে। নুপা নুপী কয়া শিখ্রিবদু তান চারুবগী ঙাক নত্তনা মহৈ হৈবা নুপাদুগা মায়োক্লরুবা, খৎনরুবা মীশিংসু ওইখি। অদুগী মথক্তা মীশিংদুগী মীশি মওংদু অঙকপা অয়াম্বা ওইখি। পূন্নমক্তু তারুবদা চাডিজা মশাফাও থাজবা ঙল্লক্ত্রে, মীশিংদু মরন্নাই শিফম থোকপগী শিখিবা ওইরমগনি হায়বা।

অহানবদদি মহাকসু মহৈ হৈবা নুপাদু থওইরমদবনি, চৈবু চৈরুরিবনি। অদুনা মাগী মথৌদা পূক্লিং লূপ্লগে খন্দুনা লৈজরবনি - স্কুলগী থবক্তা খুঞ্জাশিংদু মায় ওনশিনহনবা ঙম্নবা হোৎনখ্রে। মহাক্না লুসাকাদাফমহৌরিবা মাগী দিপার্টমেন্টকী মকোক অদুবু নীংবা কায়হন্নীংদে। মমাঙদসু মহাক্না নীংবা কায়হনখিদে।

মাগী থবক্তা পূক্লিং চঙবদু উবদা মাবু ওক্সফোর্ডতা থাবিরিবনি তম্বীবগী লমদা ডিপ্লোমা অমা লোইশিল্লুনবা। ত্রেন্নিং অদু চৎলুবদগী হেন্না মথৌদা পূক্লিং চঙবা হেল্লবনি, অদুগা তম্বীবগী লম্দা মপুন্সি কৎলগে লেপখ্রবনি। অদুনা মানা মফম অসিদসু খুঞ্জাশিংবু মরুপ ওইনবা হোৎনরে। মাগী নুপী মারিয়াসু, হান্নসু মাবু তৌ হায়বা থবক্তা ঙম্নবা হোৎনগনবগা, খুঙ্গংদুগী নুপীশিংগা অমতা ওইনবা কন্না মহোৎনখ্রে। অদুনা তপ্না তপ্না চহী ৫ অসিদা খুঞ্জাশিংগী ৱাখলদু স্কুল ফগৎহনবগী মায়কৈদা লৈশিল্লক্লে। অদুনা মহৈরোয়শিংদুসু স্কুল অদুদা তম্বা ফংজবদা চাউথোকচবা পোকচরে। মখোয়গী অহল লমনশিংসু চপ মান্নে, স্কুলদুগীদমক চাউথোকচবা ঙম্নরে।

অসুম্না খুঞ্জাশিংদুনা স্কুলদু মখোয়দা অমদি মচা-মশুশিংদা কান্নবা পীরিবনি খঙলকপা কাইনথংদনি মহৈ হৈবা নুপাদুগা ওজা চাডিজাগগী য়েংথিনবদুসু য়ক লাউরকপদু। চাডিজানা খঙজৈ, মহাক্না খুলদুদা লৈবদু মহৈ হৈবা নুপাদুনা য়ানীংদে। কনানবুদি য়ানীংলুনি, নিংথৌগুম হাইনা হুম্না পাল্লম্বা মী মহাক্তু মমল লৈতনা খনবা হায়বসি য়ানীংফম থোক্তে। অদুগী মথক্তা পোৎশক অতৈগুম অহল অদুগী যাদু-মন্ত্রদুবু থওইদবা হায়বসিসু অরুবা অমদি ওইরি।

অদুনা নোংমা, মমখ্রবা অহিং অমদা, শুক তরেৎ মম্মী হায়বদুনি, অদুবু মরক মরক্তা অমম্বা অহিংগী অতিয়াদু থৱান লীশিংনা অমুক অমুক ঙান্থোকহল্লি। অহিংদু চাডিজা অমসুং মারিয়া নুংঙাইনা তূম্লি ময়ূমদুদা।

য়ূমদু খুঙ্গংগী য়ূমশিংগুম শাজরবসু মওংদি তানা শাই। খুলদুদা চেক অইকপনা শাব য়ূম হায়বসি অদুখক্তনি। থোঙনাউসু মতিক চানা পাল্লি। য়ূম মনুংগী শেম-শারিবদুদি খুঞ্জাশিংনা ঙক্লরিবনি। ফাল, চৌক্রি, টেবল, উপু খূৎনাল অমনি, লৈমায়দুসু মমল তাঙবা কার্পেটনা ফজনা থারি। খুঞ্জাশিংনা নোংমা ফাদোক কোয়থোক্লকপদা চৎপদা নান্থুগে তৌরিবনি।

মারিয়াবুদি খুঞ্জা নুপীশিংদুনা ওন্থোক্না লুনা তৌরে। মরমদি মানা লুসাকাদা লৈরিঙৈদা, চিপেম্বী নুপী স্কুলদা তমজরকপা মহৈ মানা হৈজবখৈদু খুঙ্গং নুপীশিংদুদা তম্বীরি। মখোয়সু থৱায় য়াওখৎলক্লে হৈনীংবনা, মমৈদদি মারিয়ানা ময়ূমদুদা লন্নাই সাইন্স স্কুল অমা পিক্তক্না চখ্থরে।

নুমিত্তু মারিয়াসু নুংঙাইনা তূমজরি, মকোক্না মোন খাঙলদুনা মাগী নুপাগী মপাম্বোমদা নুংঙাইনা। মরক মরক্তা মশাদু লেঙলকই, অদুগা অঙাংমচাদৌনা তূম্না তূম্না নাহেরকই। চাডিজাদি শিবখৈ তূম্লি। মারিয়াদু ফুক হৌগৎখ্রে, মানা ফমুংদু চেকশিন্না কূমথরক্লে, অদুগা থোঙ তম্না থোকখ্রে। ইমুংদুসু মম্বনা মানা থোঙ তান্না চৎপদু মারগা চৎলি, অদুবু পোৎ অমত্তা থেংজিল্লুদে। থোঙ ৱাংমদনা মহৈ হৈবা অহলদু লেপ্লি, অহল ওইরকপগী মমায়দু ইখুই খুইরদুনা, শুরুপ থীনা। চেক মোক লাউদনা তুমিন লেপ্লি লেঙদনা, মারিয়ানা থোঙ হাংদোক্লকপদু মহাক করিঅমতা হেক থৌশাদে। অহোইনদুম মারিয়াদা চাগদৌগুম য়েংলকই, মাগী য়াইঙং মচু মাল্লবা থৌরবা মমিৎ অনীদুনা, করি অমত্তা হেক পাখৎপা লৈতনা মশাদা।

কুইদে, মহাক মমায় লৈথোকখি, চৎকদবগী তৌখি থৌ-ৱা শাদনা তাঞ্জাদুদনি মারিয়ানা পাখত্তুনা খংলাউ লাউরকখিবদু থমোয় কায়বমখৈ। চিক্লবা অহিংদুগী অচিকপদু থুগাইখি, খুঙ্গংদু থুংনা।

চাডিজা ফুক হৌগৎলকই, চেন্থোক্লককই, মারিয়াগী নাক্তা লেপ্লরে। লাউরকপদু লোইফাত্রিঙৈদা। মহাক্না তান্নখি, মমি শামি উরিবা অহলদুগী মায়কৈরোমদা। অদুবু ফাবদি ঙমহৌদ্রে। অহলদু ফিংনা চৎপদি নত্তে, অদুবু অমম্বা মরক্তুদা চাডিজানা মাগী মায়কৈ খঙহৌদ্রে। অদুনা মহাক হল্লক্লে মারিয়াগী মনাক্তা অমুক। মতম অদুদদি খুঙ্গং নুপীশিংনা মাগী নুপীদুবু কোয়শিন্দুনা লায়কন্নরল্লে।

নুমিৎ হুমনিনি চাডিজা মাগী অশাউবদু ঈংথনবা হোৎনখিবদু। অদুগী মতুংদনা মহাক মশামক চৎলে মহৈ হৈবা নুপাদুগী য়ূমদা, খুলগী মতাইদা লৈবা। মহাকসু চেকশিন-ৱা হায়বীবা চৎলিবনি, মারিয়াবু কিহল্লম্বগী। নুমিৎতু মীওই অমসুনি মহৈ হৈবদুগী খাংপোক্তা চৎলুবদু, মরম মান্নদে, মতমসু মান্নদে।

অহানবা থুংলুরিবনা চাডিজা মশানি, অতোপ্পা অমদুনা মারিয়ানি, চাডিজাগী নুপী।

চাডিজানা চৎলিবা মতমদু থেঙলবা অহিংদনি, মতোমতনি, মম্বনসু অঙকপনি, অতিয়াদা থৱানমিচাক অমত্তা উদে। চৎনা-চৎনা নুমিৎ হুমনি চঙনা ফাথরুরবা মাগী অশাউবদু মরায় কাঙলকই। খূত্তুম তাশিনখিবা খঙহৌদে। অদুবু মহাক কন্না হোৎনরি মাগী অশাউবদু ফাথনবা, হেক উবদা মহৈ হৈবা অহলদু মমায় থুগায়নীংবদু। মদুগী ফল ফরোই খল্লি, মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইগনি খল্লি নৎত্রগা লংনবা ওইনা থোকপসু য়াই। যাদু-মন্ত্র থাজিল্লক্তুনা মহাক শোইনাইবফাও য়াই, মদুদি অৱাবা ওইগনি। অদুম তৌরক্লবদি মহৈ হৈবদুনা মাবু উরগা নোকখিনি অমদি মাবুনা কৈসু ঙাকথোকচবা ঙমদ্রবা অহল অমা ফূরুবগী খুল চঙনা নোক্লবা।

মহৈ হৈবা অহলদুগী খাংপোক্তু থোঙ পান্দে। মনুংদসু পূম্মম্নি। চাডিজা কোন্নদি উরকই, অমনবা মোমবতি মতেক অমখক্তি মুশি মুশি ঙাল্লি।

- ‘‘চঙলকউ, চঙলকউ, ইচা নুপা!’’ খোলদু পৌই, নোকক্রেম হায়গ্রেম্নবগী মওংসুনি, মৈরি অমা উরিবা অদোমদগী তারিবা খোঞ্জেলনি।

মিৎকুপ অমদি চাডিজাগী শিংলী পূম্বা জিং লাউখি।

‘ইচা নুপা’ হায়বা? চাডিজা ঙকই। করিগীনো মানা অসুম কৌরিবা? খোঞ্জেল অদুমক্তি অফবা নত্তে, প্রমান-পান্থৈনা য়ৈরক্লিবনি, ফত্তবা থৌরাং অমগী। চাডিজানা খল্লিবনি। অদুবু অদুগুম্বা অপঙ-থাজবনা মাবু হুমদুনা পুবদি ওইথোক্তে। মা য়াব ঙল্লোই।

মহাক কুনশুবা চহীচা অসিগী মহৈগী মঙাল ফজনা ফংলবা মীনি। আফ্রিকা মচা অমা ওইরসু অদুগুম্বা মল্লবা অপঙ-থাজবগী অমুবা মহৈ অদুগা মরী তৎনরবা মীনি। মাগুম্বা মী অমনা মঙোন্দা কৈদৌবা ঙম্নি। মাদি থম্বু থমখো, কনানো - যাদু মন্ত্রগী মী ওইগেরা - অমা হেক্তা - লাইবু নৎত্রবদি মঙোন্দা কৈসু তৌবা য়ারোই - মানসু মখোয়দা তৌরোই।

চাডিজানা খল্লি, কনাসু লৈতেনা। অদুনা মহাক চঙশিল্লি, অপিকপা খাঙপোক শঙদুদা-অমম্বা মরক্তুদা। মানা সিমসু খল্লি, মরৌ চাউবা অহলদু মুশিবা মৈ অসিদা পাক্না উবদি ফংলোই। অদুগী মথক্তা মানা খঙলে, খঙবদা নত্তে উরে - অহলদুগী মহৈগী শীজিন্ননবা য়াল্লিবা পোৎলম-চৈরমশিংদু। মখোয়দু লৈকাং চারবা ইগী ফমথক অদুদা য়ান্থরি, মখোয়দুনা ঙাক্লিমাল্লে, অহলদুগী পুন্সি। য়েংলুবদা হাইরং-হাইরং তৌরকপগুম উই, নুংশিৎসু লেঙদ্রবা অহিংদুদা। চাডিজা খঙদে, মাগী লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা মহৈগী মাইবশিংসিনা শীজিন্নরিবা পোৎলমসি। অদুবু নহালমখৈ উবা ফংদবা পোৎলমঙাক্তা মায়োক্লরে।

অদুবু মহাক মথমোয় ফাজিল্লি, মুশিবা মঙাল মরকসিদা পোৎশিংদু নকশিন্না য়েংলুবগী কান্নবা লৈতে।

খোঙচৎ অদু মায় পাকপনি হায়বা য়াদ্রে, চাডিজাগীদমক্তি। মহাক্না চৎলিবদি হেক্তা হাৎলুরগে হায়না চৎলিবনি অদুবু মাবু তেহলখ্রে, থাজরুদবা হনুবদুগী হৈথরক্লিবা করেম্নবগী ৱাঙাঙশিংনা, ময়াসু য়াওদ্রবা মচিন্দুদগী :

-‘‘নঙ ঐগী লম্বা নত্তে, নঙনা মসি খঙজদ্রে। নঙ লাইরিক হৈরে, নঙনা খঞ্জরি, নঙনা হেন্না খঙই হায়না। নঙনা ঐবু মীথানদে। নঙনা খল্লি, ঐনা নঙোন্দা কৈসু তৌবা ঙল্লোই। নঙনা অসিমসু খল্লি, ঐসি কান্নদ্রবা হনুবনি, কান্নদ্রবা মল্লবা, চৎনদ্রবা মহৈ অমা শান্নরি হায়না।

মাগী খোঞ্জেলদু সুম কনখৎলকই :

- ‘‘খঙজৌ, ঐ মন্দ্রি, ঐ মন্দ্রি! ঐনা নঙোন্দা তৌগেদা ঙমগনি, মদু নঙনা লুনা লৌজরিবা অঙৌবা জাৎকী মীশিংদুনদি তৌবা ঙল্লোই। নঙ খঙলব্রা? ঐসে অহল ওইরে, মদুদি চুম্লে, অদুবু হকচাং অসিদনি অহল ওইবা, ৱাখলদি অহল ওইদ্রি। ঐ হৌজিকসু ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা মহৈগী শক্তিদু ঐঙোন্দা মতিক চানা য়াওরি। অদুননি খুল অসিগী মীশিংনা ঐবু কিনরিবা, ঐবু ইকায়খুম্নরিবা। অদুগসু নঙনা লাকপগা নঙনা খঞ্জরি মখোয়গী ইকায়খুম্নবদু মুনগদবগী ঐঙোন্দগী! হায়বীগে তাজৌ, নঙনা খুল অসি থাদোক্তুনা চৎত্রিঙৈ, ঐনবু তাইবঙ থাদোক্তুনা ইপা-ইপুগী থৱায়গী লমদুদবু তিনবনা হানখ্রবসু নঙবু পাড়া অমদি তম্বীরমখিনি।’’

ৱাদু ঙাইহাক লেপখি। চাডিজানদি অহলদু মশক উবা ফংদে। অদুগা মানসু ৱাহৈ অমা য়াল্লুবা নত্তে। অদুগী মথক্তা খোঞ্জেলদু তারুবদগী মহাক অমুক ৱা অমা হংগে নীংদ্রে। মানা হৌজিক পাল্লিবা হায়বু থুনা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিবা অদুতনি।

অহল অদুনা মখা অমুক তারকই; হন্দক্তি মখোলদু খরা নৌথরকই :

- ‘‘ঐনা হায়গদৌরিবা ৱাসি নঙদি খঙখিরোই, অদুবু হায়য়ু, নঙ করি ফাওগনি, যাদু-মন্ত্র অসি করিগুম্বা নপা-নুপনা নঙোন্দা শিন্নরম্বগীদমক নঙগী নচানুপীনা নঙবু থাদোক্তুনা, লংথোক্লম্লগা চৎখ্রবদি নঙ কমদৌনি। নঙ কৈসু খল্লুনু, ৱাফমসি নঙনা খঙবা ঙল্লোইদবা ৱানি। নঙনা খঙলিবা হায়বু নঙ লাইরিক হৈরে অসিদনি, অদুবু ঐনা নঙোন্দা হায়বিরিসিনি...।’’

চাডিজা করেম্নবা ৱাহৈশিংদুদা কৈসু লৈতনা নোকথোকপা ঙমজদ্রে। মহাক্না হায়রিবশিংদু লায়না লৌরগা লোইরে খনবা নত্তনা। অদুবু মানা ময়ূম য়ৌরক্তুনা ফমথরবা মতমদদি ৱাহৈশিংদু লায়না লৌবা ঙল্লক্ত্রে। মানা খন্দবা ঙল্লক্ত্রে, হনুবা অদুবু লংথোক্লম্লগা মাঙখ্রবী মচানুপীদুগী অমুক খল্লুরে। খল্ল খল্ল ৱাখল তাশিল্লক্ত্রে। তশেংনা মহাক তৌফম খঙদ্রে।

হায়ন-হায়না অহল অদুনা ঙাঙখিবা ৱাহৈশিংদু, মতোমতা ঙাঙহৌবা মানা তারগদা লাকখ্রবা ৱাশিংদু, মাগী থমোয়দা খোন্থাং য়ৈদুনা অদুম লৈরে। অহল অদুবু ইরায় লায়না অনা-লায়েংবা খুন্নুং মাইবগুম হেক্তা থৌশারুদবা য়াররোই খঙলক্লে। অহলদুগী মশাদা বাকচসকুম ঈরাৎ-পুজা, থৌনি-থৌরম য়াওদে, য়ু ঙাওদুনা ঙাঙবা নৎত্রি, মাগী খাংপোকশঙদুসু। অদুনা ওইবা তাই, মাবু খুঞ্জাশিংদুনা লুনা-কিনা লৌনরিবা। সুম খল্লুরগা চাডিজাসু মাবু লুনা লৌদবা ঙল্লক্ত্রে।

-(মখা লমায় ৭তা)

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*